# যুক্রেনদগী অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন সীটিজনশিং মুম্বাইদা থুংলখ্রে

মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ২৬ (এজেন্সী): লালনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা লৈরিবা য়ক্রেনদগী ইন্দিয়ন সীটিজনশিং মফম অদু থাদোক্তুনা লৈবাক অসিদা হল্লক্লবা খঙহনখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন সীটিজন খরা ঙসি মুম্বাইদা থুংলখ্রে হায়না ছত্রপটি শিভাজি মহারাজা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট (সী এস এম আই এ) কী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সেন্টরগী গাইদলাইন মতুংইন্না ফ্লাইট এ আই-১৯৪৪ না ইন্দিয়ন সীটিজনশিং অদু অহানবা ওইনা য়ুক্রেন্দগী পুথোরকখিবনি। সী এস এম আই এতা থুংলরবা পেসেঞ্জরশিং অদু এয়রপোর্ট থাদোক্ত্রি ঙৈদা কোভিদ-১৯ নেগটিব ওই হায়বগী মরী লৈনবা চে চাংশিং অদু উৎকদবনি। অদুবু মখোয়না হায়রিবা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং অসি উৎপা ঙমদ্রবদি এয়রপোর্টতা আর টি-পি সী আর তৌগনি। হায়রিবা অসি লেম্না তৌগনি। এয়রপোর্ট অসিদা থুংলরবা মীওইশিংনা লেম্না ৱাই ফাই, থক্নবা ঈশিং অমদি পুক থনবা য়াবা পোৎলমশিং চাবা য়াগনি।

অমরোমদা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরম্বা য়াওরবদি গভর্নমেন্ট প্রোটোকোল মতুংসন্না মখোয় ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈগনি। অমদি মেদিকেল ওইবা মথৌ তাবশিং এয়রপোর্টকী মায়কৈদগী লেম্না ফংহনগনি। এয়রপোর্টতা থুংলরবা পেসেঞ্জরশিং অসি অতোপ্পা মীওইশিংগা পুন্না ফম্মিন্নহন্দনবা অতোপ্পা মফমশিং শেম শাদুনা থম্লে।

মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেনসু হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা য়ুক্রেনদা হৌজিক হৌজিক লেরিবা ইনিদয়ন সীটিজনশিং তেক্ত-কায়দনা অথুবা মতমদা পুথোক্নবা মরী লৈনবা এয়রপোর্ট ওঠোরিটিশিংদা খঙহনখ্রে।

য়ুক্রেনদা হৌজিক হৌজিক মহারাষ্ট্র খক্তদগী মহৈরোয় ১২০০ রোম লৈরি। অমদি অতোপ্পা মীওই ৩৫০ অমনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা পাউ ফাওনবা ঙমদ্রে হায়না খঙহল্লকপা লৈখ্রে। মসিগী মতাংদসু অখন্নবা থবক থৌরমাং পায়খৎনবা সেন্টরদা অঙৈবা চেরোল পিশিনখ্রে হায়রি। অমদি য়ুক্রেন্দগী লাক্লিবা খুদিংমক লেম্না অৱাৎপশিং তেংবাং পীগদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে হায়রি।

# ট্রেনর এয়রক্রাফ্ট কায়বগী থৌদোক্তা নুপী পাইলোট অমা শিরে

হায়দ্রবাদ, ফেব্রুৱারী ২৬ (এজেন্সী): টেলঙ্গনাগী নালগোন্দা দিষ্ট্রিক্টতা ট্রেনর এয়রক্রাফ্ট অমা কায়বদগী নুপী পাইলোট ট্রেনি অমা শিখ্রে হায়না আই এ এন এসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসকী সোর্স অমনা হায়, লাইবক থিবা থৌদোক অমনা মরম ওইরগা কায়খ্রবা প্লেন অদু প্রাইভেট এভিএসন কম্পনি অমগীনি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা লৌ উনবা অহাংবা মফম অমদা প্লেন অদু কায়খিবনি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপী ট্রেনি পাইলোট অদু তামিলনাদুদগীনি। হায়দ্রবাদতা বেজ তৌবা ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট অমদা মহাক ট্রেনিং তৌদুনা লৈবনি।

ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তারকপা অদুৱাইদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মফমদুদা লৈবা থেঔদোক অদুবু উহৌবা লৌমীশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না প্লেন অদু নাগরজুনা সাগরদগী পায়খৎলকখিবনি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা অহাংবা লৌফম লৈরিবা মফম অদুদা প্লেন অদু কায়খিবগা লোয়ননা মফম অদুদগী মৈখু মপৈশিং চাওনা পায়খৎলকখি। খুদক্তা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসন্দা থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ পিখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন সীভিল এভিয়েসন মিনিষ্টর জ্যোটিরাদিতা এম সচিন্দিয়ানা ফোঙদোকখিবদা ঙসি থোকখিবা থৌদোক অদু হায়নিঙাই লৈতনা লায়বক থিবা থৌদোক্লি। থৌদোক অদুদা লৈবাক অসিগী নুপী ট্রেনি পাইলোট অমা লৈখিদ্রে। প্লেন অদু মতৌ করম্না কায়খিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ট্রেনর এয়ারক্রাফ্ট কায়খিবগী থৌদোক অদু থিজিন্নবগী মতাংদা অখন্নবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে অমদি খুদক্তগী কম্মিটি অসিনা থিজিনবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে।

লৈবাক অসিদা ট্রেনর এয়রক্রাফ্ট কায়বগী থৌদোক অসি য়াম্না তাংনা থোকই। থৌদোক অসি মহাক্না য়াম্না হকচিন্না লৌই। টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা প্লেন অদু কায়খিবা ওসরম্বা য়াই হায়না খুদক্কী ওইনা মরী লৈনবশিংনা ফোঙদোক্লবসু থৌদোক অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙদোক্নবা হোৎনগনি অমদি অথুবা মতমদা কায়খ্রবা প্লেন অদুগী মপু ওইরিবা প্রাইভেট কম্পনিগা উনদুনা ৱারী শারগনি হায়রি।

# য়ু অমদি শেল ফাগৎখ্রে

ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২৬ (এজেন্সী): হন্দক লৈবাক অসিগী ষ্টেট মঙাদা পাঙথোক্কদৌরিবা লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা য়াম্লবা শেনফমশিং অমদি য়ুশিং ফাগৎখ্রে হায়না ইলেক্সন কম্মিসনননা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা, ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট মঙা অদুদি মণিপুর, গোৱা, উত্তরখন্দ, পঞ্জাব অমসুং উত্তর প্রদেশনি। ষ্টেট মঙা অসিদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়াম্লবা য়ু অমদি শেল ওইনা লুপা ক্রোর লিশিং অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে। য়ু অমদি শেল ফাগৎখিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা পঞ্জাবনা খ্বাইদগী মমাং থানা লৈরি। ষ্টেট অসিদগী ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা লুপা ক্রোর ৫১০ ফাগৎপা ঙমখ্রে। মদুগী মতুংদা উত্তর প্রদেশতগী লুপা ক্রোর ৩০৭নি। মণিপুরদগীনা লুপা ক্রোর ১৬৩ রোমগী শেল অমদি য়াম্লবা য়ুশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে। য়ু খ্বাইদগী হেন্না ফাগৎপা ঙমখিবা ষ্টেটনা উত্তর প্রদেশনা ওইরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৭।০২।২০২২ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৮.৪৯ ফাওবা ফাইরেলগী ২৬ নি পাল্লি, মতুংদি ২৭নি পাল্লনি।

**মেষ:** অয়ুক্তা মিপাইবা পোক্নম্বদু নুংথিলদা ফরনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি মরুপ-মপাংনা চানবীগনি। মাঙলোমদা থৌনা ফৃদোক্লা চঙশিল্লু-লাকচবীনবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**বৃষ:** ইমুং-মনুংগা ৱাতান্নবা পাঙবা থৌরম শোয়দনা মায় পাক্কনি, চাদিং হন্থগনি অমদি থৌনা ফৃদোকপনা নথক থোংববু লাকশিনগনি। হন্থবা লোয়নরদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**মিথুন:** নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা নীংবা থুংগনি, অনৌবা থৌরমদা খুৎচাও থাবা য়াগনি, লৌশিংনা শমু ফাগদবা নুমিৎনি। লৌথোক চাথোক্লিংবদি য়ামগনি-পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কর্কট:** নীংবা থুংজবা, হকচাং খিংবা, শেন্দোং চাওনা ফংবা অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। অদুবু ফংবা য়াবা লন পনগনি, মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎলি-ঈরাং পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, শাওনরম্বা কোকচগনি, অঙম্বনা চানবীগনি অমদি ঙাংবা শকপা হৈগনি। থৌনা ফৃদোকপা মতাং চাগনি-পাংদবা অমদি কিবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**কন্যা:** নীংবা মপা চারোই থবক অমা পাঙবদা অনীরক খন্থবা মথৌ তাগনি অমদি য়েক্নবনা পাংগল্লি। অয়াম্বা থবক্তা অখঙ-অহৈগী ৱা তাদনা খুৎ থাগনু-মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

**তুলা:** নুংথিল ফাওবা অনীংবা থৌরম কয়া চিংনদনা পাঙবা য়াগনি, মীয়ামগা মরী হান্নদগী হেন্না ফগৎকনি অমদি মখোয়গা লোয়নবা থবক মায় পাক্কনি। মীৱাদি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, মায় পাক্কনি অমদি শেল-থুমগী লম্দা কান্নগনি। মীয়ামগী মতেং শোয়দনা ফংগনি, য়ুমগী ৱাসু লুনা লৌবা ফৈ। নাপলদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**ধনু:** নুংথিল ফাওবা চাওনা মায় পাক্কনি অদুবু য়েৎনবা অমদি চিন কনবদি নরল ময়েং তাগনি। অশাওবা হায়বসিনা খ্বাইদগী হেন্না মাঙগদবা নুমিৎনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**মকর:** নুংথিলদা নীংবা থুংবা, হরাওবা, লৌশিং অমদি লান্দবনা নরল চাউখৎপা শোয়দনা ফংগনি। হান্নগুম অফা-অপুন্নবা অমদি লনদা মীনা য়েংশিনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** নুংথিল ফাওবা নীংবা থুংগনি, শেল ফংগনি অমদি অনৌবা আশা লাক্কনি। অদুবু অনম তানবনা কোক শাবা অমদি মীৱা থাজবনা মরুপ কায়নবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**মিন:** থবক পাঙবা, শেল-থুমগী লম্দা কান্নবা, থৌনা ফবনা হেন্না নুংঙাইবা অমদি ইচং থৌবনা মীকোক থোংগদবা নুমিৎনি। পাইরক্কী লৌশিং চাওগনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# য়াম্না নহা ওইরিবী এক্ট্রেস অমদি দিরেক্টর ওইনা মালেমদা মশক নাইরক্লিবী ক্রিষ্টেন ষ্ট্যুৱার্ট


- নানি

মীওইবনবু তৌগে হায়না তৌরবদি ঙমদবা লৈতে। অদুগা মীপূম খুদিংমক নহাক্লা তৌগে খনবা থবক অদু হেক্তমক মায় পাক্কদবসু নত্তে। হোৎনবা, কত্থোকপা, পূকচেল শেংবা হায়বা অদু মথৌ তাই। নৎত্রবদি মপূং ফাদনা লোইশিনখিবনা অয়াম্বনি। থবক খুদিংমক্তা লাইনিং অমগুম্না চঙশিনবা হায়বসিনা মায় পাক্নবগী মরমনি হায়বসি নৌহৌননা মালেমদা য়াম্না নহা ওইনা মশক নাইরক্লিবী এক্টর অমদি দিরেক্টর ক্রিষ্টেন জেমস ষ্ট্যুৱার্টনা খুদম অমা ওইরে। কুমজা ১৯৯০গী এপ্রিল ৯দা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স ওফ অমেরিকাগী লোস এঞ্জেলিস, কেলিফোর্নিয়াদা পোকখিবী, মশাগী চহী শুপ্নতগী ৯ শুরকপদগী, ১৯৯৯দগী এক্টিভ ওইনা আর্টকী লম্ অসিদা খোঙ থাংজিল্লকখিবী, অদুগা ২০১২দা মালেমদা ফিল্ম অমা কুম্বদা খ্বাইদগী য়াম্না ফী লৌখিবা এক্টর অমনি। মহাক মমল য়াম্লবা মনা-মথুম কয়া অমসু ফংবা ঙমখ্রে। -বৃটিশ একাদেমি ফিল্ম এৱার্দ, সিজা এৱার্দ, নেসনল সোসাইটি ওফ ফিল্ম ক্রিটিক্স এৱার্দ, ন্যু য়োর্ক ফিল্ম ক্রিটিক্স সর্কল এৱার্দ, বোষ্টোন সোসাইটি ওফ ফিল্ম ক্রিটিক্স এৱার্দ, য়ং আর্টিষ্ট এৱার্দ, বি এ এফ টি এ রাইজিং ষ্টার এৱার্দনচিংবা কয়া ফংখিবগা লোয়ননা একাদেমি এৱার্দ (ওস্কার এৱার্দ) অমদি গোল্ড গ্লোব এৱার্দকী নোমিনেসন কয়া অমসু ফংখ্রবীনি। ঙসিগী কলম অসিদা মহাক্কী পূন্সিগী শল্লপ্পা ৱারী খরা ময়ামদা থমজরগা, নৌনা লন্বী অসোমদা চঙশিল্লক্লিবা নহা ওইরিবা এক্টরশিংনা গ্রেট এক্টরশিং অসিদগী তমজনিংঙাই করি লৈরিবগে হায়বা অদুগীদমক ময়ামদা লাপ্থোকচরি।

ষ্ট্যুৱার্ট মশাগী চহী ১২ শুরকপদা অহানবা ওইনা মমিং লৈরবা ফিল্ম মেকর দেভিদ ফিঞ্চরগী Panic Room (2002) হায়বা অসিদা জোদি ফোষ্টরগী মচানুপী অমগী রোল ফংদুনা ফিল্ম কুম্বা হৌরকখি। ইহান হান্না কুমখিবা ফিল্ম অদুমক্তদা য়ং আর্টিষ্ট এৱার্দ ফংবা ঙমখি। সিগী মতুংদগীদি Zathura : A space Adventure (2005), Into the Wild (2007), The Twilight Saga (2008-12 ki film series) হায়রিবা কয়া অসিদা মথং-মথং কুপ্লকখি। মসিগীদগীদি মহাক মীপূম তিংনা খঙনরক্তুনা মহাক অসি পোপ্যুলর ওইবা দিমান্দ লৈবা এক্টর অমা ওইরকখি। ২০১০ দদি বি এ এফ টি এ রাইজিং ষ্টার এৱার্দ ফংদুনা হাইয়েষ্ট - প্যেদ এক্টর অমা ওইরকখিবনি। মহাক্কী মমিং লৈরবা ফিল্ম য়াম্না য়াম্মী। লোইনমক পল্লুবগী কান্নবা লৈতে। অদুবু ২০২১দা রিলিজ তৌরকপা মমিং লৈরবী প্রিন্সেস ওফ ৱেলসকী দাইনাগী বাইওগ্রাফি ফিল্ম “Spencer” হায়বা ফিল্ম অদুদা প্রিন্সেস দাইনাগী রোল লৌরকখি। ফিল্ম অসিদদি মহাক পাক শন্না ক্রিটিকেল একক্লেম কয়া ফংবা ঙমখি। লোয়ননা ২০২২গী একাদেমি এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেসকী নোমিনেসন চঙবা ঙমখি। মহাক্কী অপোকপা মপা জোন ষ্ট্যুৱার্ট, টেলিভিজন প্রদ্যুসর অমা ওইবতা নৎতনা ষ্টেজ মেনেজর ওইনা থবক তৌই। অদুগা অপোকপী মমানা (জুল্স মান-ষ্ট্যুৱার্ট) স্ক্রিপ্ট সুপরভাইজর অমদি ফিল্ম মেকর অমনি। মহাক্কী মবুং কেমেরোন বি ষ্ট্যুৱার্ট হায়বা অমা লৈ। সান ফর্নান্দো ভেলিদা চাওরকখিবী ক্রিষ্টেন ষ্ট্যুৱার্ট লোকল স্কুল অমদা ক্লাস সভেন ফাওবা তম্লকখি। মহাক মখা তানা অরাপ্পা মফম অমদা হোংলগা গ্রেজ্যুএসন ফাওবা তমখি। মহাক্কী দ্রিমদি স্ক্রিপ্টরাইটর অমা নৎত্রগা দিরেক্টর অমা ওইবা হায়বসিনি। মসি মহাক্না পীক্লিঙৈদগী হৌনা খল্লক্লবা ৱাখলনি অদুবু এক্টর অমা ওইরক্কনি হায়বসিদি মহাক থোইদোক্না খল্লুদে। মশাগী চহী ৮ শুরকপদগীদি মহাক এক্টিংগী লন্বী অসিদা (মহাক্কী ইলিমেন্টরি স্কুলগী পর্ফোর্মেন্স অমগী মতাংদগী) তপ্না-তপ্না খল্লুদনা থাংজিল্লকপা হৌরকখি। মতমদুদা মহাক য়াম্না পীকপা রোল অমা ফংখিবনি। মশাগী চহী ১৪ শুরকপদগী চপ চাবা রোল অমা ফংদুনা কুপ্লকখিবসি Catch that Kid (2004) হায়বা অসিদগীনি। শোর্ট ফিল্মস, ম্যুজিক ভিদিও, ফিচর ফিল্ম অমদি দোক্যুমেন্টরিনচিংবা কয়াগী দিরেক্টর অমসু ওইদুনা মমিং লৈরক্লিবী, টেলিভিজন শো কয়াগী এনকর ওইবদসু মশক নাইরক্লিবী ক্রিষ্টেন মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা অচৌবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়াদা চিংখদনা য়াওরক্লি। কান ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা মহাক্কী ফিল্ম অহুম ৱর্ল্ড প্রেমিয়র তৌখ্রে। শীংথানিংঙাই ওইবা মনা কয়া ফংবা ঙমখ্রে। হৌজিক ফাওবদা য়ূম্বাল লন্বীদা চঙদ্রি, মহাক্কী নীংবা কায়বা ৱারী কয়া অমা লৈরি। অদুনা মহাক মায়কৈ অদোমদা কয়া খোইজংনা খল্লুদ্রে হায়না হায়খিবা লৈখ্রে। তশেংবগীদি মহাক নুপাশিংগা নুংশি মরী থমদুনা ৱারী শানবা অমদি মখোয়গা মতম মাঙমিন্নবা হায়বসি য়াম্না পামদে। মদুগী মরম খরা লৈখি। মহাক্না মরী লৈনরম্বা কয়া অতোপ্পা নুপীশিংগা এনগেজ তৌদুনা লুহোংখিবা কয়া লৈখি। মমিং লৈরবা এক্টর অমা অমদি দিরেক্টর অমগসু মরী লৈনরম্বগী ৱারী লৈ। অদুবু মহাক্না হৌজিক্তি লাপথোক্লখ্রে, মখোয় খুদিংমক লোইনা লুহোংদুনা লৈনখ্রে। মসিগী অচৌবা মরমদি, মহাক নুপাশিংগা রোমান্স তৌববুদি, নুপীশিংগা ওইনা পূনমিন্নবা, অমদি মখোয়গা ৱারী শানদুনা লৈমিন্নবনা হেন্না খোইদাজে। ত্বাইলাইটকী হিরো ওইরিবা রোবর্ট পেট্টিন্সনগা মহাক্না মরী লৈনৈ হায়না মীয়াম্না হায়নরবসু মহাক্তি ক্রিষ্টেনগী অশেংবা নুংশিরবা মরুপনি। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনদি মাইকেল এঙ্গরানো কৌবা এক্টর অদুগা নুংশিনবগী মরী অমা লৈনরি হায়না হায়নবা তারি।


এক্টিং হায়বসি করিনো হায়বগী মতাংদা মহাক্না মীদিয়াদা থমখিবদা- ষ্টোরিটেল্লিং অসি মপূং ফাবা আর্ট অমনি। লিগদৌরিবা ৱারী অমদি লিরিবা ৱারী অদু মীপূম খুদিংদা চপ চানা ফাওহনবা ঙল্লবদি মদু এক্টিংগী কাঙলোন অমনি হায়না। মহাক্কী ৱাফম অসি য়াম্না সিষ্টেমেটিক ওইদ্রবসু, খন্নবা য়াবা ৱাফম য়াম্না লৈরি। ক্রিষ্টেন ষ্ট্যুৱার্ট হৌজিক ফাওবগী ওইনদি য়াম্না মমিং লৈবী এক্টর অমনি। মহাক্না লৌবা রোল খুদিংমকশিং অসি মহাক্না অনৌবা ৱারী অমা ফিল্ম মীদিয়মদা লিগদৌরিবনি হায়না খঞ্জে। মরম অদুনা ৱারী অদুগী মচাক্তা করি য়াওরিবগে হায়বসি য়াম্না মুন্না চঙশিল্লগা মদুগী ওইবা এক্টিংগী মচাকশিং অদু তানলি হায়বা অসিনি। মালেমদা মশক নাইনা লৈখিবা প্রিন্সেস দাইনাগী রোল লৌবা মতমদা মহাক অসি মীয়াম্না হেন্না শীংথানখিবনি। দাইনাগী কেরেক্টর, হেবিট, জেসচর, লুকিং, ফিগর, বোদি লেংগ্বেজ পূম্নমকশিং অসিখক্তদা মহাক হৈনবী থম্নবা হোৎনবা মতমদা মতম য়াম্না চঙখি। মদুদা নোংমদা অয়াম্বা পুংশিংদা প্রেক্টিস তৌখি। অদুনা মহাক্না প্রিন্সেস দাইনা শাদুনা থোরকপদা অসুক্কী মতিক মানখি। দাইনানা পামজবা মচু, মহাক্না শেৎপা দ্রেস, দ্রেস অদুগা মহাক্কা লৈনখিবা মরী অকুপ্পা কয়াশিং অদু মহাক্না এক্টিংলোমদা উত্থোক্নবা কন্না হোৎনখি। মরম অদুনা দাইনাগী তোপ-তোপ্পা মশক অদু মঙোন্দা চঙলকপা ঙমখি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।

অতোপ্পা মহাক্কী য়াম্না মমিং চৎলিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা- The Twilight Saga : The Moon, Panic Room, Speak (2004), Catch That Kid (2004), হায়রিবশিং অসি পনবা য়াই। চাওরাক্লা হৌজিক ফাওবদা ফিল্ম ৩০ হেন্না কুমখ্রে। মসিগী মনুংদা মাগী মরাইবক য়াম্না ফরিবসি পুথোরকখিবা ফিল্ম খুদিংমকশিং অসি মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনদুনা য়েংনখিবা অমদি ক্রিটিকেল্লি নৈনবদা মহাক্কী রোলগীদমক একক্লেমেসন কয়া লাকখিবা অমদি মনা কয়া ফংলকখিবা অসিনসু মহাক্কী ফিল্ম খুদিংমকশিং অসি য়াম্না মমিং চৎখিবনি অমদি মহাক্কী পোপ্যুলরিটি অসি অসুম হেনগৎলকখিবনি হায়না লৌবা য়াই। শুপ্নগী মশাগী চহী ১২ খক্তং ঙাইরিঙৈ মতমদা হোলিৱুদতা মমিং থম্বা ঙল্লকখিবা হায়বা অসি অঙকপা অমনি হায়না হায়নখিবা লৈখি। হোলিৱুদ হায়বসি মালেমগী মফম কয়াদগী লাকপা মমিং লৈরবা অমদি মতিক ময়াই চেল্লবা এক্টর দিরেক্টর কয়াগী মফমনি। অদুগুম্বা কম্যুনিটি অমদি ফোরম অদুদা অঙাং ওইরিবী ক্রিষ্টেননা চঙশিল্লক্তুনা মহাক্কী চাওরবা মফম অমা কল্লবা ঙল্লবা হায়বসিদা হোলিৱুদ অমদি মীয়াম্না ঙক্লা য়েংনখিবনি। হেক থোরকপগা য়ং আর্টিষ্ট এৱার্দ ফংখিবনি। হৌজিকসু মতম অদুদা লৈখিবা ঈহুল অদু তোক্ত্রি। হেন্না হেন্নদুম মহাক্কী ফিল্মশিংনা মীয়াম্বু মমীৎ থকহল্লি। ক্রিষ্টেন হোৎনবা য়াম্না কল্লি, মহাক্কী হেবিটতি লাইরিক পাবা, থৱায় পানবা জিবশিংবু লুনা তৌবীবা হায়বসিনা মহাক্কী অথোইবা মগুণনি। অঙাং ওইরিঙৈদা মহাক্না খনখিবা রাইটর অমা ওইনিংই হায়বা অদুগী মীহুল অদু হৌজিকসু তোক্ত্রি। হৌজিক মহাক কোলেজ অমদা মখা তানা লিটরেচর তমথদুনা অহেনবা দিগ্রী অমা ফংনবা কন্নসু হোৎনরি। মদুসু শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না থাজনরি। অথুবা মতমদা অনৌবা মালেমগী ওইনা পীবা ফিল্মগী মনা অমসু ফংলবা য়াই হায়না ফিল্ম সর্কল মনুংদা ঙাংনরিবী ক্রিষ্টেন মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়া অমা শোয়দনা পুথোরকখিগনি হায়বগী থাজবা থম্নরি।





Title : Sunrise
By : Kh. Binapani Devi
Class : III Roll : 59
School : Maheikol



Title : Pokemon
By : Khadangbam Lanchenba Singh
Class : III Roll No. 10
School : KEBI, Charangpat




Title : A Scenery
By : Meitram Helentina Devi
Class : KG
School : R.M. School




Title : Scenery
By : Phuritshabam Rosan Singh
Class : III Roll : 18
School : Pishakmacha Bidya Mandir



Title : Scenery
By : Ritu Laishram
Class : V Sec : B Roll : 36
School : Khuman Maheikol



Title : Natural Scenery
By : Urikhinbam Arina Chanu
Class : IV Roll : 12
School : Pishakmacha Bidya Mandir



Title : Scenery
By : Yurembam Dhananjoy Singh
Class : IV Sec: A Roll : 6
School : Royal Academy of Advanced Learning



Title : Birthday Cap
By : Yambem Tomthin Meitei
Class : I Roll No.: 2
School : Eikhoigi Maheikol Eng. School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।